# কর্নাটকা লৈঙাক শেমখ্রবা মতুং অনৌবা মিনিষ্টর ২৫ ৱাশক লৌখ্রে



বেঙ্গলুরু, জুন ০৬ (এজেন্সী):
ঐচ দি কুমারস্বামী কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা চয়োল অনীগী মতুংদা ঙসি মিনিষ্টর ২৫ ৱাশক লৌখ্রে।

চুংশিন্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কোংগ্রেস পার্টিনা মখোয়গী অপান্বা মিনিষ্টরশিং ৱাশক লৌহনখ্রে। খ্বাইদগী চাউনা চয়েৎনবা থোকহন-খিবশিংগী মনুংদা দি কে শিবকুমারসু অমা ওইখি। শিবকুমার (৫৬) না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইবা পামখি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগা উনরবা মতুং পোর্টফোলিওও অনী পায়বা মিনিষ্টর অমা ওইবদা য়ানখি হায়রি।

মহাক্না ইরিগেসন অমসুং মেদিকেল এদ্যুকেসন পায়রবা য়াই হায়রি। চীফ মিনিষ্টর কুমারস্বামী অমসুং মহাক্কী পার্টি জনতা দল সেক্যুল্লরনা অনীশুবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর লৌবগী মায়োক্তা লৈখি। শিবকুমার হায়রিবা মীওই অদু তরেৎলক হন্না মীখলদা মায় পাক্লকখ্রবা অমসুং কুমারস্বামীগুম্না মপাঙ্গল লৈবা মীওই অমনি।

নাকল অমরোমদা, শিবকুমারনা হায়, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম অনী লৈবা হায়বদু খুদোংচারোইদবা অমনি। ফম অদু পায়রগা তৌবা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরবদি হেন্না নুংঙাইতবা ফীভম অমা লৈহনগনি। মহাক্না কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীগা ঙরাং নুমীদাংৱাইরম উনদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফমগী ৱাখল থাদোকপা অদু খঙহনখি হায়রি।

পাউগী লীখুন অসিগী মতুংইন্না লুচিংবা অদুনা মরুওইবা ফম অদু পায়দ্রবসু মিনিষ্ট্রিগী অনীগী থৌ পুবদা য়ানবা পুরকখ্রে হায়রি।

কুমারস্বামী লৈঙাক্তা হৌজিক কোংগ্রেসনা কেবিনেট মিনিষ্টর ১৫ ফংলগনি। মদু ২২ দা হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোরক্লি। এসেমব্লী অদুদা য়াল্লবদা কেবিনেট মিনিষ্টর ৩৩ লৈগদবনি। মদুগী মনুংদা কোংগ্রেস পার্টিনা মিনিষ্টর মশিং হেন্না ফংলবা য়াই হায়রি।

মরুওইবা পোর্টফোলিও-ফাইনান্স, এক্সাইজ অমসুং ট্রান্সপোর্টতি জে দি এসতা চৎখ্রগনি। কোংগ্রেসনা হান্না পায়গনি হায়না লৌরম্বা পৱারসু জে দি এসতা চৎখিবা য়াই হায়রি। অদুগা কোংগ্রেস পার্টিনা হোম, ইন্দস্ট্রি অমসুং রেভিন্যু পায়রগনি। পার্টি অনীমক্না খ্বাইদগী মরুওইবা ফাইনান্স পোর্টফোলিও পায়ননবা তান্নখি। অদুম ওইনমক রাহুল গান্ধীনা ষ্টেট অদুগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংদা পীখিবা পাউতাক্কী মতুংইন্না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রি জে দি এসতা পীথোকখিবনি হায়রি। পার্টি অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরকপগা লোয়ননা মমাঙগী হৌখিবা লৈঙাক্তগী পারা তমশিনগদবনি হায়রি।

# নিপাহ ভাইরসনা শিহনখ্রবা মীওই ১ মরী-মতাশিংনা লৌ হায়বা য়াদবদগী কেরলা ডোক্তরশিংনা পোৎলোইখ্রে



কোজিকোদ, জুন ০৬ (এজেন্সী):
নিপাহ ভাইরসনা শিহনখ্রবা মীওই অমা কেরলা ডোক্তরশিংনা মথৌ থাদোক্তুনা অশিবা হকচাং অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

কোজিকোদকী হেল্‌ঠ ওফিসর ডা. আর এস গোপকুমারনা ফোঙদোর-কখিবদা, লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাংদগী নিপাহ ভাইরস লৌনরকপা য়াই কিবদগী মরী-মতাশিংনা হকচাং অদু লৌ হায়বা য়াখিদে। হন্দক শনে দারক্লিবা লায়না অদুনা শিহনখি-বশিংগী মনুংদা ১২ দি হেল্‌ঠ ওফিসলশিংনা য়েংশিনখি।

চহী ৪১ শুরবা ডা. গোপকুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক কেরলাদা মী শিহনবা ঙন্বা নিপাহ ভাইরস শন্দোরকপনা মরম ওইরগা অশিবা হকচাং অহুম অরোইবা মথৌ মঙম ডোক্তরশিংনা পাঙথোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা নিপাহ ভাইরসনা কেরলাদা শিহনখিবা মীগী মশিং ১৭ শুখ্রে। মদুগী মনুংদা কোজিকোদ ১৪ অদুগা থংননা লৈরিবা মালাপুরমদা ৩ নি হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ষ্টেট লৈঙাক্না হন্দক শন্দোরকখিবা নিপাহ ভাইরসনা শিহনখিবা মীগী মশিং ১৭ শুখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে।

গোপকুমারনা মখা তানা হায়, চহী ১৭ তা ঙাইরিবা নিপাহ ভাইরসনা লৈহনখিদ্রবা নুপামচা অমগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে। নুপামচা অদুগী অপোকপীসু হৌজিক নিপাহ ভাইরসনা শোকহনবনি চিংনবগা লোয়ননা আইসোলেসন ৱার্দতা লায়কন্নরি হায়রি।

লায়কন্নরিবী নুপী অদুনা মহাক্কী মচানুপা অদু অরোইবা মীকুপ ফাওবদা উবা ফংখিদে। অদুম ওইনমক ডা. গোপকুমারনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখি হায়রি।

য়াম্না পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইরিবা অমদি নুপামচা অদুনা পুন্সিগী অরোইবা মতম অমসুং অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা মতম অদু ফাওবদা মহাক্কী নুংশিরবা ইমুং-মনুংগী মীওই অমত্তা য়াওখিদে। কয়ারক হন্না খন্থরবা মতুং নুপামচা অদু হিন্দু লাইনিংগী চৎনবী মতুংইন্না অরোইবা মঙৌ মঙম পাঙথোক্লবগী ফিরেপ লৌখি।

নিপাহ ভাইরসনা শিহনখ্রবা মীওই অদুগী চহী ৫৩ রোম শুরবা মরী-মতাগী মীওই অমনা মখোয় অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকপগী থৌরম অদু য়াওবা ঙম্লোই হায়না খঙহল্লমখিবা মতুং ডোক্তরশিংনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকখিবনি হায়রি।

অতোপ্পা পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইবা থৌদোক অমা ওইনা নুপী অমা নিপাহ ভাইরস পোজিটিব ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী হূ থক্তুনা শিজখি। মীওই খরনা মহাক হোস্পিটালদা পুখৎতুনা থল্লমখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী সেম্পল চাংয়েং তৌবদা নিপাহ ভাইরস পোজিটিব ওইবা থেংনখিদে হায়রি।

নিপাহ ভাইরস শন্দোরকখিবা অদুগা মরী লৈননা নেসনল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল (এন সী দি সী) না নিপাহ ভাইরসনা শোকহল্লবা হকচাংশিং অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকপদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুগুম্বা হকচাংশিং অদু চেকশিন থৌরাং য়াওদনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা হায়বদু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মরম অমনি। মরম অদুনা খ্বাইদগী কনবা চেকশিন থৌরাং অমসুং চৎন-কাঙলোন ঙাক্না থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রবনি হায়রি।

ভাইরস অদুনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা হকচাংশিংদগী থোক্লকপা মহী-মনাইশিং অদুদা ভাইরস অদু চাং ৱাংনা য়াওবনা কা হেন্না লৌনরকপা য়াবগী ফীভম লৈ। অখন্নবা চেকশিন থৌরাং অমগী মখাদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কদবনি। অদুগা থৌরম পাঙথোকপা য়াওগদৌরিবা মীওইশিং অদু ভাইরস অদুদগী ঙাকথোকপা ঙন্বা ফিজোল শেৎকদবনি। মীৎ, নাতোন অমদি অতৈ হকচাংগী শরুকশিং মপুং ফানা কুপশিনবা ফিজোলশিং শেৎকদবনি হায়রি।

নিপাহ ভাইরসনা শিহনখ্রবা মীওইশিংগী মথৌ মঙম পাঙথোকপদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং ঙসি ফাওবদা শরুক য়াখিবা লৈত্রি হায়রি।

# মতম অমত্তদা লোক সভা অমসুং এসেমব্লী মীখল পাঙথোকপদা উত্তর প্রদেশকী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা য়ানিংবা উৎখ্রে



লখনৌ, জুন ০৬ (এজেন্সী):
বি জে পিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা উত্তর প্রদেশকী কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা লোক সভা অমসুং এসেমব্লী ইলেক্সন পুন্না পাঙথোকমিন্নবগী থৌশিল অদু সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা য়নিংবা উৎখ্রে।

ভোটরশিং অদু অধার নম্বরগা মরী লৈনহল্লবদি খুদোংচাদবা করিসু লৈরোই। মখোয়গী মায়কৈদগী খুদোংচাদবা লৈহল্লোই। লৈবাক অমা, মীখল অমা হায়বদু লৈহনবা মথৌ তাই। বি জে পিনা লৈবাক অমা, মীখল অমা হায়বদু কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা পুন্না পাঙথোকপা য়াননবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশতা পাঙথোকখিবা সিট অনীগী মরক্কী মীখলদা বি জে পি মায়থিখ্রে। কাইরানা পার্লিয়ামেন্টরি মীখল অমসুং নুরপুর এসেমব্লী মীখলদা বি জে পি মায়থিখ্রবনি। হায়রিবা সিট অনীগী মীখল অদুগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা গোরাখপুর অমসুং ফুলপুর লোক সভা মীখলদসু পার্টি অদু মায়থিবা নংখ্রবনি। গোরাখপুর হায়রিবা মফম অদু উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথকী ময়ুম লমদম ওইরিবনি। ফুলপুরনা অদিত্যনাথকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর কেসব প্রসাদ মৌরিয়াগী অকনবা মফম ওইরিবনি হায়রি।

মীখল অদুদা অতোপ্পা পার্টিশিংনা মায় পাকখিবা অদু বি জে পিনা অচৌবা পারা অমা ওইরবনি। ফীভম অদুদা করিসু তৌবা ঙল্লোই। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীয়ামগী চপ চাবা পাউখুম অদু ফংলগনি হায়নসু অখিলেস যাদবনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী পার্টিগী ওইনদি ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ইস্যুশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মীখল অদু থেংনগনি হায়রি। নাকল অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা হায়, তোঙান তোঙানবা মতমদা মীখল পাঙথোকপনা চাউখৎ খোঙথাংদা খুরৌ চেলহনগনি। লোয়ননা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থল্লকপা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লগনি হায়খি।

# নরেন্দ্র মোদিগী মেক ইন ইন্দিয়া ফেল ওইরে : রাহুল গান্ধী





মন্দসুর, জুন ০৬ (এজেন্সী):
চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মধ্য প্রদেশকী মীখলগী ভোট খোন্বা হৌদোকপগী থৌরম কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়, মমাঙ চহীদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা লৌমী তরুক শিহনখিবা অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী লৌমীশিংবু করিসু লৈতনা খল্লি হায়বদু তাকপনি।

মমাঙ চহীদা লৌমীশিংনা লৈবাক শিন-থুংনা খোঙজং চঙশিনখিবা অদুগী হৌরকফম মন্দসুরদা ওইখিবনি। ষ্টেট পুলিসনা লৌমীশিংগী খোঙজং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৌমী তরুক্কী পুন্সি মাঙখ্রে। নোংমৈনা পান দুনা লৈখিদ্রবা লৌমীশিং অদুগী মরুপ-মপাং অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ঙসিসু অচুম্বা ৱায়েল পান্লি। খোঙজং অদুদা লৌমী কয়া লৈখিদবা অদুগী অহানবা কুমওন থৌরম পাঙথোক-পগা লোয়ননা খোয়শাওনরবা লৌমীশিংনা নুমীৎ ১০ নি লমদম অদুদা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়রি। লৌমীশিং অদুনা মতম অদুদা মখোয়না পুথোকখিবা লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং অফবা মমলদা য়োনবা য়াহন্নবা অমসুং লোন কোকপীনবা হায়জখিবনি। অদুম ওইনমক মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী পুন্সি মাঙহনখ্রে। মদুতা নত্তনা ইন দষ্ট্রিশিংবুসু মতেং পাংবা ঙমদ্রে। মেক ইন ইন্দিয়া হায়বা থৌশিল অদুসু ফেল ওইরে। ইন্দিয়াগী কৈথেলশিংদা চাইনানা শাবা পোৎলম কয়ানা খুদম চনখ্রে। মেক ইন ইন্দিয়া ফেল ওইরে। পোৎলম খুদিংমক চাইনাদা শারে। অদুম ওইনমক মোদিনা চাইনাগী লুচিংবশিং গুজরাত্তা ওক্লনবা থৌরাং তৌরি। চাইনাগী লান্মীশিংনা দোক্লামদা চঙশিল্লকপদা মোদিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা ঙমদ্রে হায়নসু মরাল শিখ্রে।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

*Ref:- Mut. Case No. 254/SDC/NTK/2018*
1. Sorokhaibam Kumar Singh S/o (L) Mangi Singh of Ningthoukhong Ward No. 5.
2. S. Thoi Devi W/o S. Kumar Singh of –do–.
3. S. (N) Ibemhal Devi D/o (L) S. Mangi Singh of –do–.

*... Petitioners*

-Vs-

Late Co-pattadar No. (2) Sorokhaibam Mangi Singh S/o (L) Chaosana Singh of Ningthoukhong.

*... Opponent*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Ningthoukhong, the 4th June, 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 205 (O) 668 (N) C.S. Dag No. 2313 an area 0.16 acre out of 0.24 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মমৌ (পেটিসনর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ১২/০৬/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1573/7*

## THE WOMEN CO-OPERATIVE WEAVING SOCIETY LTD.

**Paona Bazar, Mosque Road, Imphal-795001 (Manipur)**
*Regd. No. 2 of 1948-49*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

**Dated : 25/5/2018**

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা The Women Co-Operative Society Ltd. Luxmi Bazar, Masjid Road, Imphal গী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি। মদুদি হৌখিবা তাং ২১/০৩/২০১৮ ইং , শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকখিবা সোসাইটি অসিগী বোর্ড ওফ ডাইরেক্টর খনবগী ইলেক্সন অদুদা মায় পাকখ্রবা বোর্ড ওফ ডাইরেক্টর নিপান অদুগী মরক্তগী ওফিস বিয়ারর খনবগী থৌরম অমা হৌখিবা তাং ২৬-৩-২০১৮ ইং, লৈপাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা অদুদা মখাগী মীওইশিং অসি খল্লে। মীওইশিং অদুদি ঃ-

| Name | Designation |
|---|---|
| 1. S. Sabitri Devi | Chairperson |
| 2. T. Medhabati Devi | Vice-Chairperson |
| 3. L. Bina Devi | Secretary |
| 4. W. Ambikala Devi | Treasurer |
| 5. N. Kiranbala Devi | Board of Director |
| 6. M. Bideshwori Devi | Board of Director |
| 7. L. Usha Devi | Board of Director |
| 8. L. Tanuja Devi | Board of Director |

*Sd/-* **N. Kiranbala Devi**
*Convenor*

*HL-P/1558/7*

## ꯊꯕꯛ/JOB FOR X & XII PASS

**NO DEPOSITE REQUIRED**

Class X, XII পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংবু তোঙান তোঙানবা Official Post কীদমক থবক কৌজরি। মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা লাইরিক তম্লিবা অমদি থবক থিবীরিবা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

**No. of Vacancy : 47 Male and 35 Female**
**Income : ₹10,000/- to ₹30,000/-**

অথাপ্পশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু লৈগনি। এপ্লাই তৌবীনিংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা ওফিসতা লাক্তুনা তান্নবীয়ু।


**Visiting Hr: 12 noon to 3 pm.**

**Contact : ☎ 8014170652, 9774986962 & 8414834122**

*HL-P/1466/30,1,5,7June*

## SAINIK SCHOOL IMPHAL

WILL CELEBRATE
INTERNATIONAL
YOGA DAY
21 JUNE 2018



**ALL EX-STUDENTS, EX-STAFF, PARENTS' AND STUDENTS OF OTHER SCHOOLS ARE CORDIALLY INVITED TO PARTICIPATE DURING THE EVENT.**

**Venue : SCHOOL ASSEMBLY GROUND** (Manekshaw Auditorium in case of inclement weather)
**Date : 21 JUNE 2018**
**Time : 0630h (35m duration)**

For details please visit website:ssimphal.nic.in & also link Sainik School Imphal Facebook page for info

*HL-P/1565/7*

## Apollo Tutorial Centre

Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office

**ADMISSION OPEN**

*Foundation Course For:*
Class - XI & XII Science (COHSEM)
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)

VAN Service available

Form Issue : 11/05/2018 | Class Starts : 11/06/2018 | Class timing : 4:30 pm to 7:30 pm

**HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS**

Enroll just today and complete your ambition
Hostel Fee : ₹. 3,700/- per month (Including Mess fee)
No Security Deposit and Admission Fee for Apollo Students

**WANTED : One Lady Warden-cum-receptionist & One Male Office Assistant**

*HL-P/1574/7-9&11-21(Alt.)*

## SMART TUTORIAL CENTRE

SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008

**CONGRATULATION**



2nd Position Holder HSLC EXAM(2018) PATEL LAIRENJAM

23rd Position Holder HSLC EXAM(2018) HUIDROM HELEN



**ADMISSION OPEN**

**2nd FOUNDATION COURSE CLASS X (BOSEM) & CLASS XI & XII SC. (COHSEM/CBSE) START ON 21st JUNE 2018**

SESSION : Morning & Evening FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No. 8730999192

**For Detail :Visit Smart Tutorial**

*HL-P/5098/1-30June(Alt.)*

## MANIPUR UNIVERSITY OF CULTURE

**Palace Compound, Imphal – 795001**

No. 14/9-1/16/MUC (EXM) Dated: 6th June, 2018

Programme for *B.A. 1st Semester Examination* in Dance, Music, Thang-Ta, Umang-Lai-Haraoba, Theatre, Sankirtana, Tribal Studies and Visual Arts 2018, (June).

| Time:11 a.m to 2 p.m | |
|---|---|
| Venue: (Theory Examination) | (1) Govt. Dance College<br>(2) Govt. Music College |

**COMPULSORY SUBJECTS**

| DATE | DAY | PAPER |
|---|---|---|
| 28-06-2018 | THURSDAY | PAPER-I A<br>(i) General English<br>(ii) Manipuri MIL / Alternative English |
| 30-06-2018 | SATURDAY | PAPER-I B<br>Culture Theory and Culture Studies |

**ELECTIVE SUBJECTS**

| DATE | DAY | PAPER |
|---|---|---|
| 02-07-2018 | MONDAY | PAPER-I<br>Dance / Music /Thang-Ta / Umang-Lai-Haraoba / Theatre / Sankirtana / Tribal Studies and Visual Arts. |
| 04-07-2018 | WEDNESDAY | PAPER-II<br>Dance / Thang-Ta / Umang-Lai-Haraoba / Theatre / Sankirtana and Tribal Studies. |
| 06-07-2018 | FRIDAY | PAPER-III<br>Dance / Thang-Ta / Umang-Lai-Haraoba / Theatre / Sankirtana and Tribal Studies. |

Further Head-in-charges are requested to submit proposal for conduct of Practical Examination of their respective subjects on or before **20th June, 2018**. The Practical Examinations may be started immediately after the completion of Theory Examination of the respective Departments and to be completed within **16th July, 2018**.

Different datelines for the examination are as under:

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Issue of examination forms | 08th to 14th June 2018 |
| 2. | Submission of forms without fine | 11th to 15th June 2018 |
| 3. | Submission of forms with fine | 19th June 2018 |

- Examination starts from 28-06-2018

*Sd/-* **H. Rajamani Singh**
*Controller of Examinations*
**Manipur University of Culture**

*HL-B/4683/7*

## CAS Medical

An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**

**REGULAR MEDICAL COURSE for NEET -2019**

- *Issue of form & prospectus:* From 1st June onward
- *Last date of form submission:* 20th June 2018

**Class commencing from: 21st June 2018**

*Special Attractions:*
- Concession given to first 50 students for first BATCH
- Admission freeship for Position Holders of COHSEM
- Concession will given for CASIANS
- Supply Authentic study materials (Physics, Chemistry, Biology)
- First come first served

**For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal**
Hostel for BOYS & GIRLS available

*HL-B/4647/25/5-26/6(Alt.)*